# “কায়রবা ঋতুগী তান্থা”

## EPISODE-11

(Life : How life affects climate)

*Script :*

**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপা:- (১)তেলহৈবা - খুনগী লুচিংবা (২) বোয়াই - খুনগী পাখং
(৩) তোমথীনঙানবা - খুনগী পাখং

নুপী:- (১) লৈরেনতোম্বী - তেলহৈবগী নুপী
(২) লৈহাও - তেলহৈবগী মচানুপী

(মফম:- চীংয়াগী লম্বী, মতম: অয়ুক অঙনবা, নুংশিবা উচেক-ৱায়াগী খোঞ্জেল)

তোমথীনঙানবা :- কয়াদা নীংথিজখ্রবা ঐখোয়গী খুনশে, উপাল-ৱাপাল, হৈপাল-লৈপালতনা মায়কৈ পুন্বা পুমশং শংনা শন্দোকখ্রিবা, সহরদগী লাপনা কয়াদা ইংনা চীক্লা তরু-তনান্না মীওইবগী খুৎশেম য়াওদনা লৈরিবা, নীংথিজরবী ইনখৎলক্লিবী লৈশাবীগুম য়েংবগী পেনবা নাইদরে। কয়াদা লাইবক ফখ্রবনো ঐসে খুনসিদা পোকচবা ফংলিবসে অদুবু ঐদি মতম খরদি খুনসিবু থাদোক্তুনা চৎপা তারে, খুনসিগী মতিক চাবা লাইরিক লাইশু হৈবা মীওই অমা ওইবা ঙম্লবা (মতোমতা ঙাংজবা)।

লৈহাও :- (তুংলোমদগী ঙাংলকপা) ঐবু ঙাইবদা য়াম্না ৱারম্লগনি, ঐসু য়ুমদগী পাক হেক থোরকপা য়াদদুনা তৌবনি, চীংয়াগী খোংসিদগী ঈশিং শোক্লুগে হায়রগা থোরক্লিবনি।

তোমথীনঙানবা :- লৈহাও ! নঙবু ঙাইনা ঙাইনা ঐখোয় খুনগী ফজবসে য়েংলম্লিবনি, লাকও খোংনাঙ মখোংসিদা ঙহাক্তং ফমসি লাকও, সিদগীদি ইবানি মতম শাংনা উনবা ফংলরোই, ঐসু ঐগী লাইরিক তম্বসে লোইদ্রিবফাওবদি হন্দক্তি মরক্তা অমুক লাক্লরোই।

লৈহাও :- তোমথীনঙানবা ! নহাক্লা লাইরিক লাইশু হৈবা মী অমা ওইদুনা খুনসিগী য়াইফনবা থবক কয়া তৌরক্কনি খঞ্জরিবনি, ঐখোয়গী খুনসিদদি লাইরিক লাইশু মপুং ফানা হৈবা মীগী মীশিং য়াম্না ৱাৎলি অদুনা নহাক লাইরিক য়াম্না হৈবা মী অমা ওইদবা য়াদবনি।

তোমথীনঙানবা :- ঐ খুনসিগীদা নৎতনা লৈবাকসিগী মশক নাইবা মীওই অমা ওইবা ঙম্নবা কন্না হোৎনগনি, মহৌশা ইমাবু য়োকখৎপদা চাউরবা থৌদাং লৌগনি। লাইররবা ইমা-ইপাগী হোৎনজমন খক অরেম্বদা মাংহল্লোই।

লৈহাও :- ঐসু নহাক্কীদমক অঙম্বা মতেং পাংগনি, নহাক কৈদৌনুংদা নীঙহন্নবা য়ারোই, সে ঐনা তুংশিন্দুনা থমজবা পৈশা খরসে নঙগী করি করিনো অৱাৎ-অপা মেন্নৌ, য়াম্বদি নৎতে সে লৌশিল্লো।

তোমথীনঙানবা :- য়ারেদা, ঐ লৌররোই। পৈশাসে নঙ অদুম থমজিঞ্জরো, নঙগী দরকার লৈবা মতমদা শীজিন্ননবা।

লৈহাও :- ঐদি য়ুমদা লৈহৌবনি, ঐগীদি থোকঅ-থোকঅবা লাক্কনি, ইমা-পাবাসু লৈরি, ঐগীদমক্তদি করিসু ৱাবীরুনু, নঙদি আ সহরদা নতোমতনি লৈরুদোইবা। কনাদগী করি হংলুনি, সে লৌশিল্লো।

তোমথীনঙানবা :- লৈহাও ! নঙসে পীশক পীল্লিঙৈদগী ঐগীদমক্তা অদুমক ৱাজদুনা লাক্লি, ঙসিসু পাখং-লৈশাবী ফারবা ফাওবসিদসু নঙনা ঐগীদমক্তা মতম পুম্বদা খনবীরি।

লৈহাও :- ঐগী হায়ববু নহাক্না মতিক চাবা, মশক নাইবা মীওই অমা ওইরকপা অসিখক্তনি।

তোমথীনঙানবা :- (বস লাকপগী মখোল) বসসু লাক্লে, ঐ অমুক চৎলুখিগে, নঙ ফজনা লৈরম্মুকো।

লৈহাও :- উম লৈরমগে, খোংনাঙ মখোংসিদা নহাক লাক্কদবা মায়কৈ য়েংদুনা, নঙসু ঐসু কাওখিনুকো সহরগী অরাংবা, নুংঙাইবা মফমদা লৈরে হায়দুনা।

তোমথীনঙানবা :- ঐগী পুন্সিনা হেক লৈরিমখৈদি ঐনা নঙবু করম্না কাওগনি। লৈহাও ! ঐনা ঙসি খুনসিবু থাদোক্তুনা ইহৈ তম্বা চৎলিবসে নঙগীদমক অমদি খুনসিগী তুংগী য়াইফনবগীদমক চৎলিবনি। ঐ চৎলুখিগে লৈহাও। (বস থৌখিবা)

লৈহাও :- তোমথীনঙানবসু চৎখরে, ঐসু খোংসিদগী ঈশিং শোল্লগা য়ুমদা হনখ্রগে (ঈশিং শোক্কে তৌবা)।

বোয়াই :- (লাপতক্লা) লৈহাও ! ঈশিং শোক্কে তৌরিরো, হৌজিক চৎখ্রিবদু তোমথীনঙানবরা?

লৈহাও :- (হৈনিংদনা মতোমতা শোঞ্জবা) অস ! মসিগী বোয়াই হায়বসিনা কদোমদগী অমুক লাক্লিবনোনে ওন্থোক্লা হৈনখিদরে ঐদি।

বোয়াই :- (শক কেংনা) কৈনো মীনা হংবগসে খুম লাক্তে, শক ফজৈ হায়বগী মতিক য়াম্না চাওথোকইনা। কদায়নো নঙগী ঈশিং সনাবুন্দু ঐ পুবীগে... সেনে পীরকউনে।

লৈহাও :- তা বোয়াই, য়ারনি ঐ অদুম পুজগে।

বোয়াই :- নখোয় খুরা তেলহৈবা লৈহৌবরা, ঐ নখোয়দা খুরা উনবা চৎকদৌরিবনি।

লৈহাও :- খঙদে লৈহৌবরা, লৈহৌদবরা (খরা কল্লপ)।

বোয়াই :- এ ! কৈনো পাওখুমসিদি, য়াম তাখৎলিনা নঙদি, খুনসিদা বোয়াইনা তৌবা ঙমদবা থবক অমতা লৈতবনি, বোয়াইদি ফরদি য়াম ফবজাৎনি, ফৎত্রবদি য়াম্না ফৎতবা জাৎনি খঙঙেদনা।

লৈহাও :- তা বোয়াই ! ঐ খরা হানগৎচরল্লগে, লৈবীহৌরো (হাথু হাথু চৎখিবা)।

বোয়াই :- (উশিৎতনা নোকপা) হুম ! পোঙদনগসু তৌজশারিশে, মপা হায়রা ঐনা হায়রদি লোইরে, খুনসিগী মীওই অমতনসু ঐনা তৌবদা থীংবা ঙম্বগী মতিকসু নৎতে, খঙনিদনা লৈহাও, নঙগী নাপলদু থুদেক্কে, নঙগী তোমথীনঙানবা হায়বদুনা করি তৌবা ঙমগদৌরিবা।

-ম্যুজিক-

(মফম:- তেলহৈবগী য়ুম, মতম: অয়ুক, ক্বাক্লা লাক্লা লাক্লা খোঙবা)

তেলহৈবা :- ঙসাই অয়ুক অঙনবদগী ঈশিং শোক্লুনি হায়দুনা চৎখিবদুবু হৌজিক ফাওবা হল্লক্ত্রিনে, করি তৌদনা লৈখ্রবজাৎনো, মসিগী নুপীমচাসি লম য়াম্না হেনদৌরি, লাক্তা লাকখিসনু খঙনিদনা ঙসিদি, হায় লৈরেনতোম্বী ... লৈরেনতোম্বী সিদা মপান্দা থোরকউ লাও ৱা হংগে লাও (কন্না কৌবা)।

লৈরেনতোম্বী :- (ইপা পাখৎনা) কৈদৌরে মোয়পাবা, কনা কৈদৌবা য়াওরগে, করি তৌরগে হায়বা অদুক কন্না কৌরিদুবো?

তেলহৈবা :- কনাসু কৈসু তৌদে নচানুপীদু হৌজিক ফাওবা হল্লক্ত্রিবসি করিগীনো হা ?

লৈরেনতোম্বী :- এ ! অদুগী ওইরে, উরাও থরাওরিদো, ঐদি মীগা ফুনা চৈনবা য়াওরবোই খল্লুরে, ইপা হেক পাখৎলুরে।

তেলহৈবা :- ঐনা হংবদি খুমদে, নচানুপীদু কদায় কদায়দা চৎলুনি হায়রমগে, য়ুমদগীদি ঈশিং শোক্লুনি হায়না থোকখিবনি।

লৈরেনতোম্বী :- মায়না হঞ্জরক্কনি কৈদৌরগে, চৎখিবসু পংকুই কুইখিবা নৎত্রি, মোয়পাবানা অদুক খোইরাং খোইশাওনরিদুবু করিগীনো? হায়নরিঙৈদা নচানুপীদি লাকপু লাকএ তু।

লৈহাও :- ইমা কৈদৌরগে, করি তৌনবা য়াওরগে, পাবগা ইমাগা মাঙ্গোলসিদা য়ৌয়া য়ৌয়া তৌনা লৈরম্মীসিবো?

| | | |
|---|---|---|
| লৈরেনতোম্বী | :- | নঙ হল্লক্তরে হায়দুনা নপানা ইশৌ লাংলল্লিবনি। |
| লৈহাও | :- | এ ! ঐবু অঙাং মচারো, য়ুম খংদবসু নৎতে, ইশানা অদুম খঙনা হঞ্জরক্কদবসিবু। |
| তেলহৈবা | :- | হে নঙ কদায়দা কৈদৌদনা লৈরুই, ঈশিং শোকপবু অসুক কুইবরো? (শাওবা) |
| লৈহাও | :- | ঐনা ঈশিং শোকপা কুইরকপগী ওইরে পাবনা অদুক শাওরিদুদি। |
| লৈরেনতোম্বী | :- | হায়সু হায়বনি ইবেম্মা, অসুক কুইরকইসিবু করিগীনো হায়বনি, নঙ লৈশাবী ফারবনি, অমগীদা অমুক অমগীদা অমুক পংলৈ লৈথোকপা য়াবা মতম নৎত্রবনিকো, নশানা গ্যান তাজৌ। |
| লৈহাও | :- | ইমা ! ঐ কনাগীদসু চৎলুবা নৎতেয়ে, ঈশিং শোকফম ময়াদা তোমথীনঙানবা থেংনদুনা ঙহাক ৰারী শান্নদুনা  লৈথোক্লুরে, মাসু মাগী লাইরিক তম্ফমদা চৎননবা বস ঙাইদুনা লৈরম্বদুদা। |
| তেলহৈবা | :- | ঐনা ঙসাইনা খঙলবনি নঙনা ঈশিং শোকপা চৎখ্রগা পাক হল্লক্তবগী মরম, মাগী তোমথীনঙানবা হায়বা লাইরা চুদৎনবদুগা তিন্নগনু, উন্নগনু হায়বসি কয়ারক হন্না ঐনা হায়খ্রবা নৎতরা (শাওবা)। |
| লৈরেনতোম্বী | :- | অমুক্তা তপথবীখো মোয়পাবা, কৈদৌরগে হায়বনে সে অমুক্তা শাওগৎপীখিনু, তপ্পা ইংনা ফজনা হায়নরগা লোইরে। ইবেম্মা নঙসু নপানা পামদে, য়াদে হায়রবদি কোক তোকপা য়াদবরা। |
| লৈহাও | :- | (পেরি পেরি) নোয়দি অফবা লাইরিক লাইশু হৈবা, গ্যান তাবা মীগা তীননবা লোইনবদি পাল্লোইয়ে, নোয়না পাল্লিবা হায়ববু ইনাক কৈরাক খুনবা, মী উশিৎতবা, লমচৎ ব্যবহার য়াওদবা মীওইশিংদুগা তিন্নবদু নৎতরো (চঙখিবা)। |
| তেলহৈবা | :- | মসি মচিনগসু খুমদুনকা তৌরিনে, ফৈ ফৈ নঙ সিদগীদি মপানগা অমতা থোকহল্লরোই, য়ুমসিদগী খোংকাপ অমফাওবা হেন্দোকহল্লোই খঙনিদনা। |
| বোয়াই | :- | (চংঙকপা) খুরা কৈদৌরে অদুক শাওবিরম্মীদুবো, কনানা করি তৌকপা য়াওরগে, নচাদা হায়বীয়ু, নচা বোয়াই লৈরিঙৈদা খুরাদা কনানা উশিৎতবা ঙমনেগে। |
| লৈরেনতোম্বী | :- | ইবুংঙো বোয়াই সে মোরাসিদা ফম্মুসে। |
| তেলহৈবা | :- | (শাওবা হন্থরগা) কৈসু তৌবা নৎতেদা, নচলনুপী লৈহাওসে চাওরক শাংঙক্লবনিনা মনিং মখা খরা তল্লকপা, মদুদা খুরানা খরা ৰারকঅম্বনি। |
| বোয়াই | :- | অদুগী ওইরে খুরা, অঙাং খরা ওইবদুদা তৌরিবা ওইরিনি, গ্যান অদুম তাজরক্কনিদা। |
| তেলহৈবা | :- | লৈরেনতোম্বী ! চা খরা লোল্লকউদনা, ঐবু ঙসাইদগী চা গ্লাস অমফাওবা থক্লি, তান চারে বোয়াই লাকইঙৈসিদা থকমিন্নহৌরগে। |

লৈরেনতোম্বী :- হোয় হোয় লোল্লক্লগে, ইংনা চীক্লা সুমাইনা মেন তানা ঙাংনরবদি ফৈদনা, ঙসাইখৈদি অমুকতোইবা লাওবু লাওবও, চৈবু চৈবও, মেন মান অমতা তাদে।

তেলহৈবা :- অমুক ঙাংদুনা লৈদৌ শরুক কোক হেক ইমুংদা চঙখ্রো, চাদুদুম খরা থুনা লোল্লকউ।

লৈরেনতোম্বী :- হোয় হোয় (চঙখিবা)।

তেলহৈবা :- বোয়াই ! নঙনা লাকপবু করি হায়গে হায়বনো?

বোয়াই :- খুরাগা য়াম্না লুবা ৰা অমখক তান্নদবা যাদরে।

তেলহৈবা :- করি ৰানোনে বোয়াই ?

বোয়াই :- ঐখোয় খুনগী অকোইবদা হৌরিবা চাওরা চাওরবা, মপুং মরৈ ফারবা উজাওশিংসে পুল্লপ য়ানথৎলসি।

তেলহৈবা :- করিনোনে নঙনা হায়রিবদুবো, অসুক য়ামখ্রবা উজাওশিংসে য়ানথৎলগা ঐখোয়দি করি তৌনগদৌরিবা?

বোয়াই :- খুরা, ঐখোয়গী খুন অসিদি ঐখোয়গী লৈবাক অসিগী হেক বোর্দরদা লৈবনিদো অদুনা সরকারনসু মীৎয়েং কয়া চংবিদবা মফমনি অদুনা মফম অসিগী উমংগী পোৎথোকশিং অসি থংনবা য়ুল্লোন্নবা লৈবাকশিংদা য়োনথোক্তুনা পৈশা য়াম্না ফংনবা হোৎনদবা যাদবনি।

তেলহৈবা :- নঙনা হায়রিবা ৰাফম অসি ঐ ভাব তাবা ঙমদরে।

বোয়াই :- সুমদৌবনি খুরা, খুরানা খুন অসিগীদি লুচিংবনি, খুরানবু অয়াবা পীবিরবা, উশিংসে অতোপ্পা লৈবাক্কী মীওইশিংনা লৈরগে, পৈশা য়াম্না পীগে হায়না হায়রি, ঐগা মখোয়গা ৰারী পুন্নমক শান্নদুনা লোইরবনি, উশিংসে য়োল্লগা ঐখোয় পৈশা য়াম্না ফংগদৌরিবনি, ইনাকখুনবা মীওই হায়বদু ওইগদৌরিবনি অদুদগীদি খুরা ঐখোয়না তৌনিংবদা তৌবা ঙল্লগনি (নোকপা)।

তেলহৈবা :- মদুনবু ফরগদ্রা বোয়াই, হোয়দা ঐখোয় নুংঙাইরগা লোইরে, মীয়ামগীনা মীয়ামগী থোকপা, নঙনা তৌনিংবতা তৌজরো, ঐগীদি অয়াবা পীরবনি (উ য়ানবগী, উ ককপগী মখোলগী সাউন্দ ইফেক্ত)।

-ম্যুজিক-

(মতম: নুংশা শাগৎলকপা মতম, মফম: খুনগী চীংয়াগী লন্থী)

লৈহাও :- (নুংহিক্লনা হায়বা) অশংবা ফীজোলতনা লৈতেংলন্থী, নীংথিবা পুন্সিগী তুংনফম ওইরন্থী, নুংঙাইবা পুন্সিগী হৌরকফম ওইরন্থী, হে ঐগী নুংশিবী খুঙ্গং... ঙসিদি নহাক অৰাবতনা নশরুক ওইরেদো, লৈকংলাগী লম হায়বদু ওল্লেদো, নহাক্কী নশাইকোন্দা হৌজরন্বা উপাল কয়াবু য়ানথৎতুনা মীরমলেন্দা পুবিখ্রে, নরুম থুপনা হীংজরন্বা উচেক ৰায়া, শা-ঙা কয়াসু ঙসিদি মায়কৈ শলাই খঙখিদরে, খোঙ্গুল মুৎখ্রেদো। তোমথীনঙানবা ! নঙবু লাক্লোগবা, শকফম কাইরবা নহাক্কী খুঙ্গং অসে য়েংলো লাকও (হিক হিক কপ্পা)।

লৈরেনতোন্থী :- (কৌ কৌদুনা লাকপা) ইবেন্মা ... ... ইমাগী লৈহাও নঙবু কদায়দা লৈবগেনে, য়াল্লবা নুংশাগী মৈশা মরকসিদা নঙবু কদোমদনো। হায়মা ! নঙদি য়ানথৎপিখ্রবা খোঙনাং মখোংসিদা নতোমতা ফমদুনা লৈরল্লিবসিবু করি তৌরল্লিবনো, লাকও য়ুমদা চৎসি লাকও।

লৈহাও :- ইমা ঐখোয়গী হৌজিক ওইরিবা খুনসিগী ফীভমসে ঐখোয় পাবগা তা বোয়াইগনা পুন্নমক থোকহনবনিকো, মশাগী ঙহাক্কী নুংঙাইবতা খল্লুবদগী।

লৈরেনতোন্থী :- উম পুন্নমক অচুম্বনি, হৌজিক্তি মখোয়সু মখোয়না তৌখিবা অরানবশিং অদু খঙজরক্লবনি। নঙবু ঈশিং শোক্কনি হায়দুনা চৎখিবদুবু ঈশিংদি কদায় ?

লৈহাও :- মতম অমদা ঈশিংনা ঈমায় চোন্না নিক-নিক লাওনা চেল্লন্বা খোংসে, ঙসিদি ঈশিং ইরিক অমফাওবা লৈতরে, লৈক্রক চৎলে, ঈশিং শোকফম লৈতরে, অতোপ্পা মীগী খুন্দগী ঈশিং শোকপা চৎপা তারে ইমা।

লৈরেনতোন্থী :- উপালশিংদো লোয়না হেক য়ানথৎখিবদগী শাবগী চাংসু খঙহেন হেনগৎলক্লে, হান্নগী ওইজরন্বা নোংজু-নুংশা, অইং-অশাগী ফীভম পুন্নমক পুমকায় কায়রে, পুমওন ওল্লে। খুন অসি থাদোক্তুনা চৎনখিবা, খুন হোংনখিবা মীওই কয়াসু য়াওরবনি।

লৈহাও :- ইমা ঐখোয়দি কৈদৌঙৈদা খুন অসি থাদোক্তুনা চৎকুমসিকো, তোমথীনঙানবা লাক্লগা খুন অসি অমুক হান্নগী ফীভমদা শোয়দনা হঞ্জিনহন্নবা তৌরখিনি।

লৈরেনতোন্থী :- কুইরেদা ইচা তোমথীনঙানবগী মৰা-মপাও তাখিদবা, মাগী লাইরিক তন্বা অদুবু কয়াম ৰাৎলি হায়বগে লোয়গদবা।

লৈহাও :- মাগা ঐগা পাও ফাওনখিদবসু য়াম্না কুইরে, নহাল নোংমা মখোয়গী মমা, ইনে তোন্থীগা ঐগা চীংয়াসিদা থেংনৈ অদুদা ইনেনা তোমথীনঙানবা লাক্লনি হায়রম্মী।

লৈরেনতোম্বী :- ফরেদা, ইচা তোমথীনঙানবদি লাইরিক লাইশু হৈবা গ্যান তাবা, খুনসিগী লেমজনিংঙাই ওইরবা মীওইনি, মহাক লাক্লবদি ঐখোয় খুনগী অৰাবসে কোক্লনবা লম্বী শোয়দনা ফংলগনি।

লৈহাও :- (খঙহৌদনা নোং খোঙলকপা) ইমা ! নোং চুরক্কদৌরমাল্লে, হৌজিক্তা নুংশা য়াক্লা শারম্বদু মায়কৈ পুম্বা পুম্মম মমশিনখরে। চীংমাইশিংসিসু উপাল অমতা হৌদ্রবনিনা চীং শোয়দনা নীংখাইরক্লগনি, লাকও য়ুমদা চৎহৌরসি লাকও।

লৈরেনতোম্বী :- (পাখৎনা) হোয় চৎহৌরসি লাকও য়ুম য়ৌনবা প্রপ প্রপ (নোং কন্না অখাক-অরাও য়াওনা চুথরকপা, চীং নিংখাইরকপগী মখোল)।

-ম্যুজিক-

(চীংয়াগী লম্বী, নুমিদাংৰাইরম, চীংনুংগী হরী খোঙবগী খোঞ্জেল)

তোমথীনঙানবা :- করিনো ঙসি ঐনা উরিবা খুন অসিগী শক্তম অসিবো, ঐবু মঙলা তাইবঙলনে ! অৰাৎ-অপা লৈত্রবী, মীয়োক-মীচান ফজবী, অশংবা ফীজোলতনা লৈতেংবী, মোমোন মীনোক্তা নোকচবী ঐগী নুংশিরবী খুনদুনিকো ... হা (স্বর শাংনা হোন্দোক্লগা) ঐ উপাই অমা নত্রগা উপাই অমা তৌদুনা ঐগী খুঙ্গংসিগী হান্নগী মহৌশাগী ফীভমদা অমুক হঞ্জিলহন্দবা য়াদে (মতোমতা ঙাংজবা)।

লৈহাও :- (হরাওনা চেল্লকপা) তোমথীনঙানবা ... তোমথীনঙানবা ... নঙ লাকহৌরে হায়বা তাবদা ঐ নঙবু উনিংমন্দুনা চেল্লক্লিবনি। ঐ নঙবু ঙাইবদা কয়াম ৰাই নঙ খঙবরা, নঙনদি নঙগী লাইরিক তম্বা লোইদ্রিফাওবা পাও অমতা ফাওনগুমসি হায়দুনা তুমীন্না লৈথোকখরে, নঙ লাক্কদরা লাক্কদরা খন্দুনা ঐ নুংতিগী মশা-মরেং পুমকোক কোক্লবা, উরু খক্তা ঙাইহৌরবা খোংনাঙ পাম্বীসিগী মনাক্তা নুংতিগী নঙগী মায়কৈ য়েংদুনা লৈরক্লিবনি (পুক্লিং নুংশিনা হায়বা)।

তোমথীনঙানবা :- লৈহাও ! নখোয়গী পাবনা ঙসিদি নঙনা ঐগীনাক্তা লাকপসিদা চৈহৌদবরা?

লৈহাও :- ঙসিদি চৈহৌদে, ঐখোয় পাবদো হৌজিক্তি মথৰায় য়াম্না নুংঙাইতরে, মাগী ঙাইহাক্তং খন্থহৌদবা মীকুপতুদা বোয়াইগী লাংদা থুরুবনা হৌজিক খুনসিনা অৰাবা নংলিবনি হায়বসে মহাক হৌজিক্তি খঙজরে।

তোমথীনঙানবা :- হৌখ্রবদি হৌখরে, পুম্নমক হৌখ্রসনু, হৌজিক ঐখোয়না তৌগদবা ইথৌ য়াম্না লৈরি, মহৌশাগী লৈজরম্বা নেচরেল রিছোর্চশিং পাকতক্লনা মাঙহল্লুবা, য়ানথৎলুবনা মরম ওইরগা ইনভাইরোলমেন্ট অমদি থৰায়পানবশিংগা লৈনরিবা মরি ইকোলোজিদা অকায়বা কয়া থোক্লপদগী ঙসি ঐখোয়গী খুন অসিগী ক্লাইমেটিক কন্দিসনদা চাওনা অকায়বা ওইরক্লিবনি।

লৈহাও :- অচুম্বনি, ঐখোয় খুনগী অকোয়বদা হৌজরম্বা মপুং মরে ফারবা উজাওশিং পাকতক্লনা য়ানথৎলুবদগী মহৌশাগী লৈজরম্বা অইং-অশাগী খলদা অকায়বা থোকহল্লকপা অমদি থৱায় পানবা কয়া লৈবা ঙমহল্লক্ত্রিবনি। তোমথীনঙানবা ! নহাক অমুক চৎখ্রগনু সিদাসুম লৈদুনা খুন অসি হান্নগী ফীভমদা অমুক হঞ্জিনহল্লক্লবা থবক কয়া পায়খৎমিন্নরসি।

তোমথীনঙানবা :- হন্দক্তি মফমসিদা কুইনা লৈরগনি, চৎলবসু খুন অসিগী শেমগৎ-শাগৎপগী থবকশিং লোইশিল্লন্লগা চৎকনি। মরি লৈনবা ওথোরিটিশিং, ইনভাইরোলমেন্ট দিপার্টমেন্ট অমদি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী মতেং লৌদুনা খুন অসি অমুক হান্নগী ফীভমদা হনজিহন্নবা হোৎনগনি।

লৈহাও :- আদা ঐখোয় পাবগা, তা বোয়াইগসু লাকএ।

তোমথীনঙানবা :- অদুদি ঐ অমুক চৎখ্রগে লৈহাও।

তেলহৈবো :- (কৌরকপা) ইবুংঙো তোমথীনঙানবা অমুক্তা ঙাইখোও, নহাক লাক্লে তাবদা নহাকপু অমুক্তা উনহৌগে হায়দুনা লাক্লিবনি।

তোমথীনঙানবা :- আ ... খুরা ... করি তাকপীগদবা?

তেলহৈবা :- খুরানা নহাকপু য়াম্না লান্না খল্লুরে, খুরাবু অমুক্তা ঙাকপীয়ু হায়জগে তৌবনি, ইচাদি খুন অসিগী অচংবা মীওইনি।

বোয়াই :- তোমথীনঙানবা ! ঐসু ঐ মঙাইরে, ঐনা তৌবা ঙমদবা লৈতে খল্লুবা ঐমুক পংবা মীসে লৈরমদরে, ঐনা খন্থহৌদবনা ঙসি ঐখোয়গী খুন্না ওইরিবা ফীভম অসে থোকহল্লিবনি, ঐ য়াম্না লানখরে, নঙনা লমজীংবীদুনা খুন অসি হান্নগী ফীভমদা অমুক্তং হনজিন্নবা হোৎনবীয়ু, ঐ নঙনা তৌ হায়বা খুদিংমক তৌজগে, নঙগী নতুং ইনজগে।

তোমথীনঙানবা :- ঐদি ইচম চমজবা খুনসিবু নুংশিজবা মীওই অমনি, ঐনা খঙজবা হৈজবা খুদিংমক খুনসিগী ফনবা থবক থৌরম কয়া পাংথোকপদা শিজিন্নগনি।

তেলহৈবা :- য়াম্না নুংঙাইরে, ইবুংঙোগী ৱাহে তাবদা হয়েংসে খুরাগী যুমদা হাওবা হাওতবা চাক চারা অমতং চামিন্নসি ঐখোয় ময়াম পুন্না, অদুগা করি তৌসিগে হায়বদুসু তান্নরসি।

তোমথীনঙানবা :- য়াম্না ফগনি খুরা, ঐ লাকচগে শোয়দনা।

তেলহৈবা :- ইবেন্মা... লৈহাও নঙ ঙাইহাক লৈহৌখিগদরা, ইপা চৎলন্লগেকো।

লৈহাও :- আ ... হোয় পাবা।

তেলহৈবা :- বোয়াই লাকও চৎসি লাকও।

বোয়াই :- হোয় খুরা চৎলসি (চৎখিবা)।

তোমথীনঙানবা :- লৈহাও ! লাকও চৎলসি, ঐখোয় খুনগী শকফম কাইরবা মরু ইকোক কোক্লবা চীংশাং নাপোমশিং, নুংশাগী মৈশানা য়ৈবদা লৈত্রেক চৎলবা লৌবুক লম্ফাংশিং, ইচেল য়াওদ্রবা ঈশিং খোংশিং অসে অমুক্তা য়েংলুসি লাকও (থৱাই নুংঙাইতনা হায়বা) ।

লৈহাও :- হোয় য়েংলুসি লাকও (নুংঙাইতনা খুন্বা)।

-ম্যুজিক-

(অঙনবা অয়ুক, তেলহৈবগী য়ুম, উচেক ৱায়াগী খোঞ্জেল)

লৈরেনতোম্বী :- (মতোমতা ঙাংজবা) ঈশিং শোকফম থীরুনি হায়দুনা চৎখিবা ইচানুপীদুসু হৌজিক ফাওবা হল্লক্ত্রেনে তৌরিসি, নুংশানা মরোল অমা শাগৎলকপনে কদায় য়ৌনা চৎখ্রবজাৎনোনে, চাক থোংননবা ঈশিংসু অমতা লৈতে তৌরিসি, মী চাক পীজনি হায়দুনা তৌরিসিনা পুংদি আ য়ৌখরে, হৌজিক ফাওবা চাক থোঙ্গৎত্রি, তাঞ্জাসিদা মপানি হায়দুনা তৌরিদুনা কদায়দা অমুক চৎখ্রবনোনে, মানা গ্যান তাদবদগী ঐখোয়সে ওন্থোক্লা ৱারেদকো।

তেলহৈবা :- (চংঙকপা) লৈরেনতোম্বী নঙগী নচীনসে ঙহাক্তা ফাওবা হেক লেপ্পুনেকো, পেদ্রো পেদ্রো অদুম ঙাংদুনা লৈদৌ শরুক নঙনা তৌগদবশিং অদু কোক কোক লোইশিন্নবা তৌবা য়াদরো।

লৈরেনতোম্বী :- হো চাক থোংনবা ঈশিংদো অমত্তা লৈজদদনা চাক থোংবা হৌবা য়াজদ্রবা, শেম শাবদি ঙসাইনা লোইজরবনি।

বোয়াই :- ইনে ! মাম্মগা ঐগনা ঙসাই অয়ুক ঙন্তা চৎতুনা থংনবা খুন্দগী ঈশিং শোক্তুনা পুরক্লবনি, ঈশিং বোটলশিংসে কদায়দা থন্মুগে ইনে।

লৈরেনতোম্বী :- (হরাওনা) হায়মা নোয়দি ঈশিং শোকপা চৎলুরিবোরে, ঐঙোন্দদি হায়রমদবনিনা ঐদি নখোয় কদায়দা চৎখ্রবজাৎনো খন্দুনা শাওনিংদুনা লৈরম্মীনে।

তেলহৈবা :- নঙগী মথোং মরম খঙদনা হান্না হেক্তা শাওবগী হৈনবীদো খরা থাদোকপা ফৈকো।

লৈরেনতোম্বী :- আ ইচানুপীদি হৌজিক ফাওবা হল্লক্ত্রি, মাসু ঈশিং শোকফম থিরুনি হায়দুনা চৎখিবনি, কদায় য়ৌখ্রবজাৎনো খঙদরে, ওন্থোক্লা ৱারল্লগনি ইচাদো নুংশা মরকসিদা।

বোয়াই :- ইনে ! লৈহাওদি তোমথীনঙানবগা লন্বীদা লাকহৌরবনি, মখোয় অনিসু ঈশিং পুরকহৌবনি।

লৈরেনতোম্বী :- ঐনা ঈশিং অমতা লৈতরে কমদৌসিগে খল্লম্বসিদি নখোয় লোয়নমক্লা ঈশিং পুবীরকপসিদি ওন্থোক্লা নুংঙাইখরে। ঐখোয় খুনগী ঈশিং খোং খুদিংমক ঈশিং কংখিবসিদা ঐদি পুক্লিং অসে লৈতাফম খঙদ্রবনি।

লৈহাও :- ইমা ! তোমথীনঙানবা ইবানিনা শোক্লকপা ঈশিংনি, সে সিদা থল্লগে।

তোমথীনঙানবা :- লৈহাও মথন্তা ঈশিং শোকফম কোইথি থিদুনা লৈম্বদুদা ঐগা থেংনদুনা লাকমিন্নরবনি।

তেলহৈবা :- লৈরেনতোম্বী ! চাকতু ঐখোয় পুল্লপ চঙদুনা হেক্তা থোংমিন্নরসি, ৰারী শানা শানা, ঙসিদি ইচা তোমথীনঙানবদগী পুক্লিং লৌশিং ওইহৌনবা, খঙদবা কয়া খঙহৌনবা ৰা খরা হংহৌদবা যাদে।

তোমথীনঙানবা :- খুরা ! ঐনা খঙজবা হৈজবা খুদিংমক ময়ামদা হায়জগে, হৌজিক্তি ঐখোয় ময়াম অমতা ওইনা পুন্দুনা মহৌশাগী শক্লোন কাইরবা ঐখোয়গী খুন অসে অমুক ইনৌ নৌনা শেমগৎ শাগৎতুনা, মালেমসিগী মনুংদা তমজনিংঙাই ওইরবা, অশং-অমানতনা থল্লবা, অৱাৎ-অপা লৈত্রবা সষ্টেনেবল ওইরবা গ্রীন ভেল্লি অমা ওইহন্দবা যাদবনি।

বোয়াই :- ঐখোয় মীওইবা অমদি থৱায় পানবশিংনা মালেমসিদা হীংবদা উপালশিংনা লৌরিবা থৌদাং কয়াবু খঙলুদবনা মপুং-মরৈ ফারবা উজাও কয়া যান্থৎতুনা শেন্দাল লন্বী ওইরুবদগী ঙসিদি খুন অসিদা ইকং থোক্লে, অশেংবা নুংশিৎ ফংদরে, অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী চাংদা অকায়বা কয়া ওইহল্লে।

তেলহৈবা :- অসিদসু নৎতনা নোং খজিক্তং তারকপদা মরু কোল্লবা চীংমাই কয়াসে নিংখাইরক্তুনা খুঞ্জা কয়াগী পুন্সিসু মাংখরে।

তোমথীনঙানবা :- খুরা ! মফম অমগী অকোয়বগী ফীভম অমদি থৱায় পানবশিংগা লৈনরিবা মরি ইকোলোজিকেল বেলেন্স অসি হেক থুগাইরুবদা হান্না লৈজরল্লিবা মহৌশাগী ফীভমদা অকায়বা কয়া ওইহল্লক্লিবনি। উমং-ৰামং, শা-ঙা অমদি পাম্বীশিংগা মীওইবা ঐখোয়গা যাম্না নক্লবা মরী লৈনৈ, পাম্বীশিং অসি লৈরমদ্রবদি ঐখোয়না স্বর হোল্লিবা ওক্সিজেন অসিসু ফংলল্লোই।

লৈরেনতোম্বী :- ইবুংঙো অদুদি কমায়না করম্নো?

লৈহাও :- অদুবুদি ঐসু খংঙিনা, অদুবুরো পাম্বীনা নুংশিৎতা যাওবা কার্বোনডাইওক্সাইদ অসি চুপশিনখিদুনা অমদি নুংশাগী মৈশাগী মতেংগা লোয়ননা মচিঞ্জাক শুংবা মতমদা ওক্সিজেন অমুক থাদোরকই, থাদোরক্লিবা ওক্সিজেন অসি ঐখোয়না অমুক স্বর হোনবদা শিজিন্নৈ।

তোমথীনঙানবা :- লম একর অমগী মনুংদা হৌরিবা পান্বীশিংনা মীওই ১৮গী চহি অমগী স্বর হোনবদা চংবা ওক্সিজেনগী চাং থাদোরকপা ঙমই। মপুং-মরৈ ফারবা উজাও পান্বী অনিনা মীওই মরিগী স্বর হোনবদা চংবা ওক্সিজেনগী চাং থাদোরকই।

তেলহৈবা :- ইস ! ওন্থোকপনিদা ঐনা চাউরা চাউরবা উপাল কয়াবু য়ান্থৎতুনা মাঙহল্লুরিবসে।

বোয়াই :- খুরা ! ঐসু হৌজিক্তা য়াম নীংঙমলক্তরে।

তোমথীনঙানবা :- মালেমসিদা ফংলিবা ওক্সিজেনগী শরুক অসি রেনফোরেষ্ট, উমংশিংদগী চাদা ২৮গী চাং থাদোরকই, সমুদ্রগী ইরোলনুংদা হৌরিবা পান্বীশিংনা চাদা ৭০গী চাংদা থাদোরকই অদুগা চাদা অনিগী চাংদি অতৈ অতোপ্পা সোর্চশিংদগী ফংঙি।

লৈহাও :- সমুদ্রগী ইরোলনুদা হৌরিবা পান্বীশিংনা মালেম অসিগী থৱাই পানবশিং হীংদুনা লৈবা ঙমহনবদা চাওরবা থৌদাং লৌইকো।

তোমথীনঙানবা :- উম য়াম্না চুম্মী, অসিদসু নৎতনা য়াম্না পীকখ্রবা সেল অমখকতমক লৈবা, সমুদ্র অদুগা অচম্বা ঈশিংগী ইচেল অমদি লৈবাক লৈহাওদা ফংবা দাইএটোম হায়রিবা এলগি মখল অসিনা কার্বোনডাইওক্সাইদ অসিবু ওর্গানিক কার্বোনদা ওন্থোকপা ঙমই অদুগা ওক্সিজেনসু থাদোরকই। দাইএটোমশিং অসি মালেমগী ক্লাইমেট সিষ্টেম অসিগা য়াম্না নক্লবা মরী লৈনৈ।

লৈরেনতোম্বী :- মালেমসিদা পান্বীশিং অসি হৌরমদ্রবদি ঐখোয় হীংবা ঙম্লম্লোইকো।

তোমথীনঙানবা :- উম ঙম্লম্লোই অদুনা ঐখোয়না মফম অমগী লৈজরল্লিবা অকোয়বগী ফীভম অমদি থৱায়পানবশিংগা লৈনরিবা মরী অসি খক থুগাইরোইদবনি, ঐখোয়না ঐখোয়গী খুনগী মহৌশাগী ফীভম থুগাইরুবদগী ঙসি ঐখোয় অৱাফম তারিবনি।

লৈহাও :- চাক লোইরে চাক চাথোক্লবা তৌরসে।

লৈরেনতোম্বী :- ময়াম ইকোয় কোয়না হেক্তা পুল্লপ চামিন্নরসি।

তেলহৈবা :- চারসি ... চরসি...।

-ম্যুজিক-